থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

চাওখৎলকপা/ফগৎলকপা ... প্রোগ্রেসিভিজম

করিগুম্বা অমা ইরমদাই, ঐগী ইমালোলসিদা ফোঙদোক্লিবা মফোঙদোক অসি ফোঙদোক্লিংলিবা আইদিয়াদু ফোঙদোকপা ঙম্লবরা? নৎত্রগা য়ৌনা ফোঙদোকপা ঙমদ্রবরা? হায়বসি চিংনবা হেক হেক পোল্লকই। ইমালোলসি লায়রবনা নত্তে। নোংচুপলোমদগী লাকপা মহৈ-মশীন (ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসন) গী ইথিলসিনা কনমনখিবনা ইংলিস লোল'দা ইবা লাইরিকশিংদা অমদি লোলসিদা চূশিনমনখিবনা, ইংলিস লোলনা হেন্না এক্সপ্রেসিব ওইবগুম খন্নখিদুনা তৌরিবনি। অসুম্না তোয়না থোকপা ৱাখল লম্মুক্লবগী থৌওং অদু ঙসিসু ৱারেং অসি ইবা হৌগৎলকপসিদা থোক্লরে। অতৈ নত্তে, ইংরাজি ৱাহৈ 'প্রোগ্রেস/'প্রোগ্রেসিব'/'প্রোগ্রেসন' হায়বা 'ৱাহৈ-ৱাথৈ' সি করম হায়না শীজিন্নসিগে খল্লুবদনি। 'ফগৎলকপা' হায়না হল্লবসু য়াই, 'চাওখৎলকপা' হায়না হল্লবসু য়াই। 'চাওখৎপা'/'চাওখৎলকপা' হায়বসি মওং কয়াদনি - প্রোগ্রেসন, দিভলপমেন্ট, সিভিলাইজেসন। ঙসি ঐনা ময়ামদা পাউদমজনীংলুবা 'প্রোগ্রেসিব ওইবা ৱাখল-খূৎখন, প্রোগ্রেসিভিজম হায়বদুগী মতাংদনি। চপ-চাবা ৱা/আইদিয়া/মিনিং অদু ইরোনসিদা ৱাহৈ অমখক্তা শীজিন্ননীংলুবা, খনফম খঙদদুননি ঐনা শাংলপ তৌবা ৱামাঙ অসি ইজরিবা। ৱারৌবীবা য়াদে, মীরোন-ইরোন তোৎশিন্নদুনা ইজরগে।

তশেংবমক্তি, প্রোগ্রেস/প্রোগ্রেসিভিজম হায়বা ৱাহৈ অসি, মীওইবগী পুৱারীদা/মীওইবগী পুন্সি মহিংদা, সাইন্স-টেক্নোলোজি-শেল থুম-খুন্নাইলোন'নচিংবদা তপ্না-তপ্না লাকপা অহোংবা/চাওখৎলকপা অওনবা পুন্সি মশক অদু শক্তাক্লবা হোৎনবদা থোকখিবা ৱাহৈ অমনি। 'প্রোগ্রেসিভিজম' হায়বা অনৌবা খুন্নাই অসিগী কম্মন পোলিটিকল-কন্সেপসন অসিদি ১৯শুবা চহীচাগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা য়ুরোপ্তা থোকখিবা 'ইনদষ্ট্রিয়েলাইজেসন' (কল-কারখানা লীংখৎনরকপা) দুগী মহয়নি। লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা, মীওই কাঙলূপ অনীসি মরক্তা লৈরিবা 'ইকনমিক ইনইক্কেলিটি (শেল-থুমগী মান্নদবা থাক), অনেম্বা থাক অদুদগী অৱাংবা থাক অদু য়ৌনা কাখৎনবা হোৎনরকপা, শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবগী থবক অদুবুনি প্রোগ্রেসিভিজম। খুন্নাই-শেমদোকপা (সোসল-রিফোর্মেসন) গী পোলিটিকল ফিলোজোফি অমা ওইনসু লৌনৈ।

প্রোগ্রেসিভিজম হায়বসিগী খল্লুবদা ৱাখলসিদা মফাং-মফাং অতোপ্পা ৱাখল কয়াগী মরূ হুল্লক্কনি। ঐনা ঐগী ইমুং-মনুংগী মরমদা খল্লিবা ৱাখল অসি প্রোগ্রেসিব ওইবরা? নৎত্রগা ওইদবরা? ... ঐ, ঐখোয়, মখোয় ... প্রোগ্রেসিব থিংকর ওইবরা? ৱাখলনা প্রোগ্রেসিব ওইদ্রবা, পুন্সিসিনা প্রোগ্রেসিব ওইরকপা (হান্নদগী হেন্না ফগৎলকপা, চাওখৎলকপা) দি হৌনদবা থবকনি। ইশানা ইশাগী পুন্সিবু হঙ্গৎনা অমুক্তং য়েংলুসি ... ঐখোয় ইশাগী (ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী) পুন্সি-মরেল, হিংবগী থাক অসিবু, ঙসিদগী থা অহুম নৎত্রগা তরুক্কী মমাঙদা লেনখিবা থাক অদুদগী ফবা খজিক্তং হেনগৎলক্লবরা? নুংঙাইবা খজিক্তং হেনগৎলক্লবরা? ঐখোয় কৈদৌঙৈ খন্থখিবগে? ইমুং-পুবা (ফেমিলি হেদ) অমা ওইনা ইচাশিং অমদি অতৈ ফেমিলি মেম্বরশিংনা তমজনীংঙাই ওইবা, প্রোগ্রেসিব ওইবা করি থবক তৌখ্র'গে? ইমুংদুগী ৱাংমদা-লৈকায়দা/খুন্নাইদা মীনা মতৌ তমজনীংঙাই, করি মতৌ উৎখ্র'গে? ৱাহংশিং অসি ইশানা অমুক্তা খুমজসি। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা 'অসাম ব্যপার' (অসামদা চৎলগা লল্লোন-ইতিক তৌবা) কান্নৈ খনখিবা মীশিংদুগী মরক্তা ঐগী অপোকপদুসু অমনি। লুপা অমা/অনী তোলোপ চাবা লৈঙাক্কী থবক কৈদৌনদোইনো খনখিবা মশাগী ৱাখলদু কোন্না নিন্দা তৌরকখি। 'মসিগী অসাম ব্যপার হায়বা মহা পাপিগী থবকসি তৌরুদুনা ঐ ৱারিবনি' ... ববানা তকসি শোল্লকপদা ইমানা খুমখিবা 'নশানা তৌজরিবা শিনফম অদুবু, অদু'ম্না চৈ-থাংলবদি কদায়দগী মহয় চারনি ... অৱায় অখুমদু নীংশিংই। অতোপ্পা পান্থৈ লৈতদুনা পায়রুরবা শিনফমদুদি 'করম্না হেন্না ফজনা তৌবা ঙমগদগে' হায়বা ৱাখলদুনা লমজিংলগা তৌবদুবু প্রোগ্রেসিব ওইবা কৌই। 'ঐগী বোস'না হুরাল্লবদি ঐসু হুরানবা হৈগদবনি' হায়বা ৱাখলদু নত্তবা 'ঐগী ফিদমনীংঙাই ওইবা ইতৌসি মীনা তমজনীংঙাই ওইরসনু খনবদুবু কৌই 'প্রোগ্রেসিব থিংকিং'। ঐগী বোস/ঐগী ওফিস - কৈদৌঙৈদা হুনগুমসি। অতোপ্পগা চাংদম্নবা নত্তবা, ঐ-ঐহাক, ইশা, থা তরুক্কী মমাঙদা ওইরম্বা পুকচেল শেংদবা ইতৌ অদুগা, ঙসি ওইরিবা ইতৌসিগা কয়াম খেন্নরবগে? ইশামক কয়াম হোংলবগে - য়েংজবদুবু কৌই 'প্রোগ্রেসিব ওইবা ইতৌ'। ইশাগী মমল ইশানা লেপ্পে, অতোপ্পনা লেপকনি। অদুবু ইশাগী ভেল্যু হেনগৎহনবই থবক্তুদি তৌজগদবনি ইশানা। মদু ঐহাক তৌরবরা? য়ূমলোন্নবা - কৈরোন্নবা - মরুপ-মপাং-ইরৈকায়চাশিংগী মরমদা, ঐহাক্না অতোপ্পদা ৱারী শাবদা মখোয়গী করম্বা মতিক-মগুন শৈথাদুনা হায়বগে? মখোয়গী ফত্তবা মতৌদুতবু হুল্লান্দুনা ঙাঙবরা? হঙ্গৎনা ইশাদা য়েংবীয়ু, ইশাদা য়াওরিবা 'প্রোগ্রেসিভজম' গী দিগ্রী খঙদোকপীয়ু।

ইশাদা য়াওরিবা প্রোগ্রেসিভিজন খঙদোক্লবা মতুংদা, ইরৈপাকসিদা পাঙথোক্লিবা ইলেক্সন'সিগী প্রোগ্রেস অমুক য়েংবীয়ু। অথেঙবা অহিংদা, নুংশিবা/মেঙলবা খোঞ্জেলদা ভোৎকী ভিক্ষা নিবা চৎপা মাইক্কী খোঞ্জেলগী মহুৎ, লৈকায় খুদিং, কোল্লুপ খুদিং, কাঙলূপ-কাঙলূপ চাকচা হৈজানহনবা, য়ু-গঞ্জা-দ্রগ সপ্লাই তৌরগা নুংঙাই ঈপাক্তা লূপহনবা, মপুক থন্দ্রবা চাকখাওশিং, নুমিৎ মঙা-তরানি অহাওবা মথেল চারগা পঙথদুনা লৈবা ... হোংলক্লিবা ইলেক্সনগী মশক অসিসু প্রোগ্রেসিব ওইবা দিভলপমেন্টনি হায়গদ্রা? চমন্নরে ঐ।

লৌশিং পুক্কে

অয়াম্বা মতমদা অলসর, ইনফ্লেমেসন অমসুং ইন্টেষ্টাইন ফুনবদগী মীওইবদা পূক নাহল্লি

চপ চাবা মরম খঙদবা মওংদা অঙাংশিংনা পূক নাবগী কমপ্লেন্ট তোয়না তৌরকপা মমা-মপা খরনা শোয়দনা থেংনরল্লগনি। অঙাং খরদি পূক নাবদগী স্কুল কাবা ঙমদবা, মমান্নবগা শানবফাওবা ঙমদবা য়াওরিবনি। স্কুল কাবগী চহী মতাং য়ৌরবা অঙাং চাদা ১০ দগীনা চাদা ২০ ফাওবা পূক নাবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা অলসর, ইনফ্লেমেসন অমসুং ইন্টেষ্টাইন ফুনবদগী মীওইবদা পূক নাহল্লি। অদুবু পীল্লিবা অঙাংশিংদদি ফঙ্কসনেল গ্যেষ্ট্রোইন্টোষ্টিনেল দিসওর্দর, ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম অমসুং ফঙ্কসনেল দিসপেপসিয়ানা মরম ওইরগা পূক নাহনবনি হায়রি।

অঙাংশিংনা চাউ-থকউ হায়বা য়াদবগা লোয়ননা পূক নাবগী কমপ্লেন্ট তোয়না তৌরকপা মতমদা হীদাক লাংথক ফনা য়াম্না থারবসু থোইনা কান্নবা ফংদে। মদুদা স্কুল কানিংদবগী তাৎ তৌশিন্নরিবনি হায়দুনা চৈবীবসু য়াওদবা নত্তে।

গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল এক্সপার্টশিংগী মোত মতুংইন্না ডোক্তর অয়াম্বা অঙাংনা পূক নারকপা মতমদা কমদৌনা লায়েংগদগে হায়বা নীংথিনা খঙদে হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা ওন্ন-তৈনবা হীদাক কয়া থারি।

ওহাইয়োগী চিলদ্রেন'স হোস্পিটালদা পেদিয়াট্রিক গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিগী মকোক ওইনা লৈবা ডা. কার্লো দি লোরেঞ্জোনা হায়খি, কান্নদবদা ডোক্তরশিংনা মখল কয়াগী টেষ্ট তৌহন্দুনা অরেম্বদা শেল অমদি মতম মাঙহল্লি। মমা-মপা ওইবশিংনদি মচাবু ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা অঙাং লায়েংলিবা পেদিয়াট্রিসিয়ন অমগী মনাক্তা হেক্তা পুরগা লায়েংই। অঙাংনা তোয়না মপুক নাবগী মতাংদদি নীংথিনা খঙ-হৈরবা পেদিয়াট্রিক গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট অমগা তান্নগদবনি হায়বসি মমা-মপা অয়াম্বনা খঙনদে হায়রি।

ন্যু জর্সিগী মোরিসটাওনদা লৈবা গোরিয়েব চিলদ্রেন'স হোস্পিটালগী পেদিয়াট্রিক গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট ডা. নাদর এন য়ুসেফনা হায়খি, অঙাংশিংদা পূক নাহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবগীদমক থোইদোক-হেন্দোক্লা মখল কয়াগী টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই। অহলশিংদা পূক নাবা ফহন্নবগীদমক কোগনিটিভ বিহেবিয়রেল থেরাপি, রিলেক্সেসন টেক্নিক অমদি মসাজ থেরাপিনচিংবা মখল কয়াগী ওল্টর্নেটিব ট্রিটমেন্ট চথরবসু অঙাংশিংদদি থোইদোক্লা কান্নবা ফংদে। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না থিজিনবদা ব্রেন অমদি ইন্টেষ্টাইনগী মরক্তা লৈনবা মরীগী মতাংদা মথং মথং খঙলকখি। গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্ট অসি নর্ভ সেলশিং অমসুং ন্যুরোট্রান্স-মিটরশিংগী মরক্তা লৈবনি। হকচাংগী ন্যুরোট্রান্সমিটর চাদা ৯৫ রোম ইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্টতা লৈ। মরম অদুনা অঙাংদা খজিক্তং ওইরবসু পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইতবা ফাওরকপা, নৎত্রগা মখল অমগী অহোংবা লাকপা মতমদা পেন সিগনেল অমা ব্রেন য়ৌখিবদগী পূক নাবা ফাওরকপনি হায়রি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, লোস এঞ্জেলিসতা দেবিদ গেফেন স্কুল ওফ মেদিসিনগী পেদিয়াট্রিক পেন প্রোগ্রামগী দিরেক্টর ওইনা লৈবা ডা. লোনি জেলটরনা হায়খি, ব্রেন অমদি ইন্টেষ্টাইনগী মরক্তা পাউ ফাওনবদা অশোয়বা লৈবদগী মরম ইচা-চাদনা পূক নাবা য়াওরকই। মতমদুদা অনাবা ফহন্নবা হীদাক লাংথক ফনা য়াম্না থারবসু থোইদোক্লা কান্নবা ফংলোই। মরম অদুনা হেন্না হেন্না চৈনাখোল ফাওরকই।

করি মরমদগী হাইপরসেন্সিটিভি ওইদুনা ব্রেন অমসুং ইন্টেষ্টাইনগী মরক্তা পাউ ফাওনবদা অশোয়বা লৈরক্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। চাকখাউদা তীন লৈবা নৎত্রগা ইনফেক্সননা ওইহল্লকপা ওইরম্বসু য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা থাজনরি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, লোস এঞ্জেলিসকী দেবিদ গেফেন স্কুল ওফ মেদিসিনদা পেদিয়াট্রিক পেন প্রোগ্রামগী দিরেক্টর ওইবা ডা. লোনি জেলটরনা ইবা 'কঙ্করিং য়োর চাইল্ড'স ক্রোনিক পেন: এ পেদিয়াট্রিয়ন'স গাইদ ফোর রিক্লেমিং এ নোর্মেল চাইল্ডহুদ' কৌবা লাইরিক অমগী মতুংইন্না ইমুং অমদা লৈবা মীওই পুম্নমক ভাইরেল গ্যেষ্ট্রোইন্টরাইটিস নারম্বদগী অতৈ মীওই পুম্নমক লোয়না ফখ্রগা অঙাং অদুখক মখা তানা নাদুনা লৈহৌবা য়াওই হায়রি। অঙাং অমসুং ইনখৎলক্লিবা মীওই খরদা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরবসু অতোপ্পা খরনা মায়োক্লদ্রিবা করিগীনো হায়বা এক্সপার্টশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক পূক্লিং ৱাখল চরাংনবা অমদি খোয়রাং খোয়শাউনবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। 'পেদিয়াট্রিক্স' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্ঘকী রিছার্চরশিংনা হায়খি, এঞ্জাইটি দিসওর্দর লৈবা অঙাং অয়াম্বা য়াম্না তোয়না পূক নাবগী অৱাবা মায়োক্লবা থেংনৈ। মরম অদুনা অঙাংশিংবু য়ারিবমখৈ পূক্লিং ৱাখল লৈতানা লৈহনবা মথৌ তাই। হীদাক লাংথক পীজবখক্তনা কান্নবা ফংলোই হায়রি।

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী থৌওং য়ানিংদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) :

হৌজিক-হৌজিক থৌবাল কৈথেলগী পোৎফম ৮১ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিস মনাক্তা শাগৎলিবা সোপ্পিং কমপ্লেক্স অসিগীনা পোৎফম ১২০ অমদি দুকান প্লোট ৮৮ অসি মীয়ামদা নোটিফিকেসন থোক্লগা ফোর্ম থাদুনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা ওপন লোটরি তৌবগী মহুত্তা লোন্না-থুপ্না এলোটমেন্ট পীথোকখিবগী থৌওং হকচিন্না লৌই হায়না থৌবালগী সোসল ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এ কে প্রতাপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরেল অদুনা মখা তানা হায়, থৌবালগী মীয়াম্না মরাইবক য়েংজগদববু ফংহন্দবা হায়বসি য়াম্না লানবা থৌওংনি। অসিগুম্বা ইমুং কয়াগী পুন্সি হিংবা য়ানবগী উপাই পীগদৌরিবা থবক অসিদা কাউন্সিলনা হুরান-লান্নাদা শেল পায়বা মীওই খরখক্তদা পীথোকপা হায়বসি অরানবনি। মরম অদুনা থৌওং অসিগী মায়োক্তা থৌবাল অপুনবা লূপ (টি এ এল)না চঙশিল্লকপা মখল-মখাগী খোঙজংশিংদা ওর্গনাইজেসন অসিনসু মপুং ফানা মীয়ামগী খল্লগা শরুক য়াগনি। মরক অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা অরানবা এলোটমেন্ট অসি চুমথোকপিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী থৌওং অসি চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা খঙন-চানবা অমদি শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা পোৎফম এলোটমেন্ট তৌরম্বা অসি তরায়না লৌবা ঙম্লোই হায়না পাখংখোং য়ূঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (পি ৱাই দি এ)গী ৱাংখেম নিংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা ফোর্ম থারগা ওপন লোটরি তৌগদবনি। লোয়ননা মহুৎকী মকোক থোংবা মিনিষ্টর, সেক্রেটরি অমদি দিরেক্টরনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবিয়ু। করিগুম্বা থৌওং অসি চুমথোক্লবা হোৎনদ্রগাদি থৌবাল অপুনবা লূপনা চঙশিল্লকপা খোংজংশিংদা এসোসিএসন অসিনসু শরুক য়াগনি হায়রি।

সেনিটেসন মেনেজমেন্ট কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱার্দ নম্বর ৯দা অফবা ঈশিং য়ুমথোং খুদিংদা ফংনবগী পান্দমদা কুম্বী হৱাইপোকপী ৱাটর সপ্লাই স্কিম (কে ঐচ দব্লিয় এস এস) কুম্বীবু মপুং ফানা থবক হৌনবগীদমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী চেরপর্সন দব্লিয়ু প্রিয়োরঞ্জননা চেরমেন ওইদুনা কুম্বী অর্বান দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে য়ু দি সী) অমদি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগা পুন্না থবক হৌনবগীদমক ৱাটর সপ্লাই সেনিটেসন মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

কম্মিটি শেম্নবগী থৌরম অদুদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস মমাংদা চেরপর্সন্না কে য়ু দি সীগী সেক্রেটরি দব্লিয়ু রোকিচান্দদা কম্মিটি অসি মপুং ফানা থবক হৌনবগী অয়াবা চেরোল অমসু শীন্নখি হায়রি। শীন্নখিবা অইবা চেরোল অদুগা মরী লৈননা চেরপর্সন দব্লিয়ু প্রিয়োরঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি কুম্বীদা লৈবা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন ১৬ না পুশিন্দুনা শেমখিবা কুম্বী অর্বান দিভলপমেন্ট কম্মিটি অসিনা ৱাটর সপ্লাই সেনিটেসন মেনেজমেন্ট কম্মিটি কৌবা কম্মিটি অমা শেমদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী কুম্বী হৱাইপোকপীদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট অমদি পি ঐচ ঈ দিগা খুৎশম্নরগা থবক পায়খৎনবা মেমোরেন্দম কে য়ু দি সীগী সেক্রেটরিদা খুৎশিন্নগনি হায়খি। নৌনা শেম্লবা মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরবা দব্লিয়ু রোকিচান্দনা হায়খি, হৌখিবা জুন ১১ দা কুম্বী এ সীগী হান্নগী এম এল এ, এস বীরা; পি ঐচ ঈ দি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র, কে য়ু দি সী অমদি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল য়াওরগা পুন্না ফমিন্নদুনা কুম্বীদা লন্নাই ওইনা টেপ ৱাটর পুশিনবদা অয়াবা পীখ্রবনি। মরম অদুনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১ দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংদা থক্লবা অফবা টৌতি ঈশিং পুশিন্নবা পি ঐচ ঈ দি বিষ্ণুপুর দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অমদি পি ঐচ ঈ দিগী মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীনবা অপিলসু তৌখি হায়রি।

চান-থক্লবগী পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) :

লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা নোংপোক শঞ্জেবমদা মীওই অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী চাওরাক্লা য়ুম ২০ লোম কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা ইমুং-মনুংশিংদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচানা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে হায়রি।

থৌরম অদু তেলৌ চনা সৈজাংগী জিল্লা পরিষদ মেম্বর এ জামিনি, তখেল শঞ্জেবম জি পিগী প্রধান এম নিংথেম, শঞ্জেবম খুলেনগী ৱার্দ মেম্বর ৱাই সুরজিৎকা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি। তেংবাং পোৎলম পীবিরকপগীদমক শঞ্জেবম কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাংগী থৌরম অদুদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিলগী মেম্বর টি ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী লায়বা পান্থৈবদি লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপনি। মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্লা চত্তুনা লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা ইশানা ঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়

মথং থাগী ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সনগী মনুং চল্লবা এ সীশিংগী মীয়াম্না মথংগী জেনরেল ইলেক্সনগী য়েংদুনা মীখলদা পারা অমা তম্নবা হোৎনবিয়ু। হন্দক্কী টার্মসু লোইগদবা কুইশিল্লক্তরে। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ শেলনা হুম্বদা চৎপিরগনু। ঐখোয়না ভোটতা শেল চঙহল্লিবমখৈ মীনসু হেন্না শেল লৌখিবা হায়বসি হৌনশানি। করপসনবু মুথৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় অঙম্বা থৌদাং পাঙথোকমিন্নসি নৎত্রবদি তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু ফজনা শোনবিহৌররোই। লৌবসু তোকপীরো, পীশিনবসু লেপ্পিরো। তেল্লবা মতমশিংগীদমক্তা ভোটতা শেল হেন্না চঙহল্লগুমসি। খ্বাইদগী হৈশিংবা, পুকচেল শেংবা ভোটর অমমম ওইবিদুনা অফবা কেন্দিদেট খন্দোকপা ঙমদুনা ইরমদম অসিদা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু। লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহী কয়াদগী ভোট তৌদুনা লাকখ্রবনি। মীখলদা কাখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী থবক কনানা তৌই অমদি তৌদে হায়বসি পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মীয়ামগী থবক তৌরক্লোইদবা মীশক্তা ভোট থাদরগা ইশাগী অমদি খুন্নাইগী মাংগদবা পুম্নমক অদু খন্থবিরগা মতীক চাবা মীওইদা ভোট থাদসি। ঐখোয় পূন্না ৱামিন্নরিবা মতম অসিদা কনানা মতেং পাংলি অমদি কনানা পাংলক্তে হায়বসু খঙনরবা ৱাফমনি।

ৱাংখেরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোং

লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা ওইরিবা মওং-মতৌ তশেংনা নুংঙাইজদে। দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টাফ লৌবদা স্বিপর অমদি মালিনচিংবশিং অদুমক লৌবা থেংনজে। অদুবু দিপার্টমেন্ট খুদিংগী পোষ্ট অসি লৈতবগুম তৌই। লৈঙাক্কী লৈরিবা ওফিসশিং অসি লুবা-নানবা য়াম্না ৱাৎলে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স উরুবদা তশেংনা নুংঙাইজদে। অচৌ-অশাংশিংগী রুম খরা নত্তনা অতোপ্পা ওফিসশিংগী ৱাশরুমশিংদা ঈশিং য়াওদবা লোয়ননা চঙবদা হঙ্গোইবা ফাওই। কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা ফজরবা লৈকোল অমত্তসু উবা ফংদে। ষ্টাফশিংদি ওফিস কারকপদা ফী নান্না শেৎলগা লাকপিরমগনি অদুবু ওফিসতদি লৈঙাক্কীনি হায়দুনা ঙাইহাক্কী য়ান-য়ানবা ফম্লগা উশিন্নদবগুম লৈনরি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওইশিং গভর্ণমেন্টকী মেছিনরিশিংনি। মরম অদুনা ইশাগী ইথৌ চপ চানা পাঙথোকপিয়ু। দিপার্টমেন্টকী মকোক ওইরিবশিংনসু কুপ্না য়েংশিনহন্নিংই। মীয়াম লাকপদা মরম চারবদি ফীদা থাবিয়ু লোয়ননা লাক্লিবা থবক অদুগী মরমদা মমুৎ তানা তাকপিরগা হলহনবিখো। লৈঙাক্কী ওফিসশিং তরু তনান্না লৈবা ঙম্নবা লৈঙাক্কী অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারে।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।১০।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা; নুংথিল পুং ২.৪৮ ফাওবা মেরাগী ২০নি পাল্লি, মতুং ২১নি পাল্লনি।

মেষ : চরাংনগনু অমদি লল্লোন ইতিক্তা খূৎ চাওগনু। মীনু চংবা য়াম্মী অমদি পাউ নুংঙাইবা ৱাৎলি। অঙম্বা অমদি মীয়াম লোয়নবদগী ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : ঙসিসু নীংবা থুংবা, মীচং লৈবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা নুমিৎনি। মরুপ খনবা হৈত্রদি পূক্লিং নুংঙাইতবা নংগনি। মীতোপনা কিহল্লি-থাজরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মায় পাকপা হায়বসি থৌনা লৈবগী মখা পোনগনি। য়েক্লবদি মাঙখিনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি। নরলসু মখোঙ পাল্লি-চরাংদনবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : শেল-থুম, মীচং খোম্বা অমদি হকশেলগী লম্দা মায় পাক্কনি। ঙাঙবা শকপা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈগনি অমদি মীনা থাগৎপিগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : থবক পাংবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। অদুবু মীফত্তা নত্রগা অনা অয়েক্লা অরুবা থবক্তা অপনবা পীগনি । নঙগী ওইবা মী লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : কোক খরা শাগনি অমদি মুক্লবা য়াবা নুমিৎনি। তপথৌ অমদি নাপল থাদোকউ-কনানসু লাকচবা ঙমলোই। তহা তহাগনু ঙাইখো-তঞ্জা লৌবা হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী পূক্লিং খঙবীয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা অমদি থৌনা লিংজেল ফুদোকপনা মায় শোইদনা পাক্কদবা নুমিৎনি। ৱানোম থৌনোম কান্নরোই অমদি য়েৎনবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাফংনদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : ঙসিসু নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি। ফংঙমদ্রবা লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি নচা ননাই/নহৈ চাওখৎপগী নুংঙাইবসু লৈ। খাঙবা কন্দ্রদি মাঙজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : মায় পাকপা, থাজদনা ওইজবা য়াম্না ফংজবা অমদি ইচং থৌবনা অরুবা থবক লায়না পাংবা য়াবা নুমিৎনি। চিংনদনা পাংঙমদবা থবক পাংনবা খূৎ থাহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর : মতম খরা মাঙগনি, শক-চু থোকপা ৱাৎলি অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু। পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা অমদি লৈফমগী নুংঙাইবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না খল্লুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : ঈকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াবনা চিন য়াওগনু অমদি য়েৎনরুনু। হান্নদগী পাংলকপা থবক নত্তনা পাংদবা ফৈ। থেংলপ্না ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খজিক ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন : হরাওবা মীচং ফংবা, লল্লোন ইতিক কান্নবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাজবা নুমিৎনি। থবক্তি মঙম শানগনি, হকশেলগী চেকশিন থৌরাং লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

সী এম ও ককচিংগী মথক্তা এক্সন লৌদ্রবদি ওক্টোবর ১০ দগী বোইকোট তৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) :

লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা লাম্থেংনবগীদমক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কথোক্লবা ষ্টাফশিং লৌবদা সী এম ও ককচিংনা অরানবা থৌওং কয়া চথরে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনক্কারি তৌবিদুনা অচুম্বা পুথোকপিয়ু হায়না ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ কে এস য়ু)না তকশিন্দুনা লাক্লবসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না তুমিন্না লৈশিনখিবা অসিনা ঙসিদি দিষ্ট্রিক্ট অসি তুম্না শিরো হায়বগা চপ মান্ননা থোক্লে হায়না এ কে এস য়ুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন সেক্রেটরি এন রোনাল্ডোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়খি, মওং-মরীল নাইদনা অরানবা থৌওং কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুদা মশা-মশাগী মীওই কয়া অরানবা মওংদা হাপচিনখিবনা লাইচৎ অসি হৌজিক ককচিংদা পাক-শন্না শন্দোরকপা হৌরক্লে। মসিগী চপ-চাবা খুদমদি এম টি এস ষ্টাফ লৌবদা মতৌ করম্না দ্রগ শীজিন্নবা মীওই অমা য়াওরল্লিবনো হায়বসিনি।

হীরম অসিদা মখা তানা এ কে এস য়ুনা থিগৎলুবদা মীওই অদু নুমিৎ ১৫ নি থবক কাই অমদি চৎন-কাঙলোন ঙাক্তনা অনওথোরাইজ ওইনা ককচিং মখা লৈকাইদা হাংবা রিহেব্লিটেসন সেন্টরদা লৈবা ওইরমখি। হৌজিক দ্রগ য়ুজর অদু কোভিদ পোজিটিভ ওইরকখিবগা লোয়ননা সেন্টর অদুদা লৈমিন্নবা ইনমেট ৩৭ মখা তানা টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৫ পোজিটিভ ওইরক্লে। অসিগুম্বা মওং তাদবা মীয়াম্বু লাইচৎ অসিগী খুত্তা শিরো হায়বগা চপ মান্নরবা থৌওং অসিগী তেকচাক কনানা পুগদৌরিবনো অমদি মতৌ করম্না অনওথোরাইজ ওইবা সেন্টর অসি হাংদুনা লৈরম্লিবনো ? লৌতুনবা মানবা অমদি অরানবা থৌওং কয়া চথখিবগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনক্কারি অমা চথবিদুনা মরিক চুম্বা অচুম্বা রিপোর্ট অদু থম্বীদুনা মতিক চাদ্রবা সী এম ও ককচিংগী মথক্তা এক্সন লৌবিদ্রবদি লাক্লিবা ওক্টোবর ১০ দগী মহাকপু বোয়কোট তৌরগনি। মখা তানা লাইচৎ অসি থিংনবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অহেনবা পুক্লিং চঙবিদুনা থবক-থৌরমশিং মতম চানা লৌখৎপিনবা পুক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শক্লাইরবা ৱাঙ্গৈই ৱাহেংবম লৈকাইদা লৈবা শুমাং লীলারোই শারুংবম রাজেননা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা পদ্মাশ্রি এৱার্দি নব ৱারেপ্পা, লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র, এন এস দি ক্ষেত্রি য়ুগিন্দ্রো, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী এদভাইজর এল তর্পোননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা থৌরম অদুগী তরাম্না ওকপগী ৱারোল থমখি।

থৌরম অদুগী ৱাঙাঙলোয়শিংনা ফোঙদোকখিবদা লীলারোয়শিংনা লৈখিদ্রবা মতমদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎপা হায়বসি শুমাং লীলা কন্নবগী ইহৌ শাগৎপা কাউন্সিল অসিগী কেলেন্দর থৌরম অমনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু আর্টিষ্টশিংগী অনা-অয়েক য়াওরকপদা মতেং পাংনবা স্কিমশিংসু থম্বীনবা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিনখি। লৈখিদ্রবা শুমাং লীলারোয় শারুংবম রাজেন্না মমিং লৈরবা শুমাং লীলা 'চৎলেদো ঐদি, নখোয়গী হয়েংগীদমক, নিঙোল পোকপী, খেবা চীংগী নাপোমদা' হায়রিবা মমিং লৈরবা শুমাং লীলাশিং অসিদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা এৱার্দ কয়াসু ফংখি হায়রি।

নুপীমচা খুবাক ঈশৈগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্টস ওফ দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা শীংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিৎ লৈকাইদা লৈবা তপস্যা-সেন্টর ফোর পর্ফোমিং আর্টসনা নৌনা পুথোকপা 'নুপীমচা খুবাক ঈশৈ'গী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না তপস্যাগী সেক্রেটরি বিসন্তা ক্ষেত্রিময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা এম এস কে এ এৱার্দি কে. কুমার অমদি জে এন এম দি এ ইম্ফালগী রাস দিপার্টমেন্টকী গুরু চরননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা মেলা লম্পাক হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর দব্লিয়ু নাগেশ্বর অমদি তপস্যাগী দিরেক্টর এম সোভামনিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।